'ইবুধৌ পাখংবা! নহাক্তি লাইবক ফে। পা-বু খঙখি লৈমরেনগী থৌজান্দগী।
ঐখোয়দি ওইরে সনামহী। কোয়রি পৃথিবীগী মরোল তরেৎ।''
-এলাংবম নীলকান্ত (তীর্থ যাত্রা)

## শৈরেং

### চৈরাও শৈরোল

**—খাইদেম বোরসিংহ**

কবিগী সুরদা
শল্লুই ঐনা ঈশৈ
মতেক মতেক,
অখাক অরাওনদি চাইথরকপনা
কোকথক্তা
ব্রজ লিশীং লিশীংনি
অদুননি ঐনা তান কায়রিবা
তানগায়রিবা!
অমুকসু চৎলুই মতুং ইন্নরুই
সুরদুদা,
ফিজি পায়রকই অৱাবনা
পরেং পরেংনি
পরেং শাননি
অমগী মথংদা অমনা,
অসুম তান্নখি মমশিল্লকখি
মতুং ইল্লগা।
নুংঙাইবনা য়াকাবুং ওইরবরা
নঙগী থম্মোয় মাঙ্গোলদদি
তাকউ কবি
তাকপীয়ুনে কবি
নুংঙাইবনা য়কাবুং ওইরবরা
নঙগী থম্মোয় মাঙ্গোলদদি?
হয়েংদগীদি চহী হাপ্পনি
চহী হাপ্পনি চৈরাওরনি,
শকহল্লুদা ঐবু
বসন্ত রাগদা
ইচাগী ইশাগী য়াওদ্রবা
নুংশিবা ঈশৈ
থিঙ্গৎহল্লো লৈয়োল' পুন্সদা
শজিবুগী লৈবাকলৈগুম।

### শজিফুগী নোংলৈ

**—এম নিলকুমারি**

শজিফুগী নোংলৈদি হৈনৌ মপালনা শাফোংবনি।
হৈনৌ হৈখা মালহে চুপ্লে;
লৈতেংনি নোংলৈ মাগী।
মাগী শাহুমদা চোয়জাইননা কেন্ননবা শিৎলকপনি।
অশিৎ অৱান থা হায়না মিঙ্গৌগদ্রা?
লাক্কনি মাংওইননা তুংওইননা
খিকথরক্কনি
অচৌবা নোংদুম লেননি-লেন
শজিফু কালেন লোন্ন-থা
থৱায় হাপ্পনি মালেম ইমাগী।
ইঞ্জিননা খোইগনি গদ্রং-গদ্রং পাল্লবা হাঙলবা লৌবুক
লৈতেংনি লৌবুক ইঞ্জিননা খোয়রবা
মহৈ মরোং ফৌবাল চরোং ফৌনা জগোয়
তিনফা কাকফৈ চিকক্রিবী
হঙোই মচাগী লিলহাগী হরাও কুম্মৈগীরা?
লৈক্রক চৎলুরবা লৌবুক
নোংজুনা মেনখি ইরায়-লায়না
মালেম ইমাগী
ৱাৎপা কৌবা লৈত্রবা মহৈ মরোং চুল্লবা
মৈত্রবাক্কী সহরগী খুঙ্গংগী লৈকোননী
তাংজফম্নি থৱায় পানবশিংগী
হিংনফম্নি পুন্সি কয়াগী।

### শজিবুগী চেল্লা

**—অঙোম ইবোমচা**

লমতা থাগী থামৈদা
ঋতুনা মাগীদি ওলাং-থা
শজিবু 'চৈরাও' পাউজেনবা
লমগী চেল্লা শকহেনবা।
ঋতু মঙা শকলোৎপা
থাবুম তরা য়াহিপ্পা
কোলোই মিংলেন নঙগীদি
তিঙ্গোং কাঙ্গোং মিংকৌবা
লমগী চেল্লা শকহেনবা।
শারবা নুংশাগী মৈশারক
হাঙল-মালংগী ঈপোমদা
তিঙ্গোং কাঙ্গোং তিঙ্গোং কাঙ্গোং খোঞ্জেলনা
তাইবঙ থম্মোয় য়াকায়হনবা
লমগী চেল্লা শকহেনবা।
চীংঙু কনাগী পাউখোলনো
খোইয়ুম কনাগী মপাউনো
চেল্লা নঙনা পুরকপা
লোইবী চীংশাং কয়া লান
লমগী চেল্লা শকহেনবা?
পলেম মাগী উফৈ-থক
চেল্লানা নদোম তোংদুনা
মিকুপ অমতং খোংলম্বা
তাইবঙ থম্মোয় নুংওল্লি
লমগী চেল্লা শকহেনবা।
নশক য়েংলুই মফজৈ
নখোন তারুই মনুংশি
পোইরৈ লমদম কদাইদনো
চেল্লা নঙগী নপাম লম
লমগী চেল্লা শকহেনবা?

### ঐ শ্বাই লাওই

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

কাইহৌরুবসু ঐনি
থেল্ল নৌরদুনা
নুংশি হায়না ফোঙদোল্লবসু
ঐননি;
ইনাক্তা কৈদৌঙৈ লাল্লদগে
কয়ারকসু খনখ্রবনি।
ঙসিদি ঐ মায়থীরে
অকিবা অমা ফাওরে;
অথেংবদা, অঙানবদা
হল্লকখ্রবনি ইয়ুমদা,
ঙসিদি কনানো অমা
ইতুং ইন্দুনা লাল্লনি হায়রে
ঐ শ্বাই লাওই;
ইতুং ইল্লক্লনি
হায়রকপা ৱাহৈদুনা
উনিংদুনতা লৈবা মহাক অদো
করিগী অদুক কিরিবা ঐনা।

### ফীদা মখোঙ

**—আর কে বুধিমন্ত কর্টা**

মকোক য়াওদবা মী খরা,
মকোক য়াওবা মী খরনা,
দোলাইদা হাপ্তুনা পুরকই।
লমথুংফমদু য়ৌরদুনা,
মোইগী ফম্ফমদুদা ফমহল্লি।
মোইনা ফল্লিবা ফীদাদু,
মখোঙ য়াওদবা ফীদানি।
শরূ ঙাক্তা ঙাইরবা,
অশোন অনা কয়ানা,
ঙাখৎলগা মখোঙ ওইবা ওইরম্মে।
ইহে, ৱারল্লনিনে,
কয়াদা ৱানা ঙাখৎলিবা।
ঙাখৎপগী পাঙ্গল লৈত্রকান্দা
তুজরনি অদুম মকোক য়াওদবা মীশিংদো!

### 'ৱাখল মচেৎ তাহৌবা'

**—হিদংময়ূম রাহুল শর্ম্ম**

যূমদগী পুরকপা
কোকথক্তা থেৎলকপা
ঐগী ৱাখল মচেৎ
তাহৌরে খোঙ লন্বীদা।
শুজা কাবগী মনম্মা
ফুল্লবা সহরগী কুয়োম,
মীতিন্না চোল্লবা লন্বীদা
খুল্লুগদৌরি করম্মা ঐনা?
হুইগী অমাংবা
হৌদোংগী ফত্তবা মরক্তা
ওৎলুগদৌরি করম্মা ঐনা?
মহাক য়াওদনা
ৱা ৱা লাওবা মীনোক্তা
অথীবা পাউনিলখোল মরক্তা
মহৌশাগী লন্বী অসিদা
চৎকদৌরি করম্মা ঐনা?
খৃৎশেমগী চেনা শাবা 'ৱাখল'
থেৎলগে মহায়রবসু,
কেকু লোৎপী মশান্না উদ্রবা
সী সী টি ভি কেমেরানা কোয়খ্রবা সহরদা
হাপ্লুগদৌরি লোন্না করম্মা?
ফংলরোই অমুক ঐগী ৱাখল মচেৎ।
ওল্লোকপনিদা ! ঐগী লাইবক'সে,
লম্পেল অসি থিবদা
লোন থোক্তবা তারদ্রা?
পুন্সিগী ঙাঙলরোই লেপ্লেনে ৱা।
লোল থোক্তবনিসু হায়বিনু
ঙাঙলরোই খন্না লেপচবনি,
ইকায়থীবনি হায়সু তাকপীনু
য়াকাইররোই ৱাশকচবনি,
মসিনা ঐগী পাম্বৈনি।
ৱাখল মচেৎ য়াওদ্রবা ঐগী
ৱাখল মপূং ফাদ্রবা ননাইগী।

### মচু শঙখ্রবা ঈ

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

ঐগী ঐগী থম্মোয় লাইয়ুমদা
য়াওরিবা ঈগী মচুদি
অঙাংবা ঙাক্তা ওইজরবসু
শঙজিনবীরে তোঙান তোঙানবা মচু
চুমথাংগী মচু তরেৎকুম
লৌশিং লৈরবা মীওইবা ঐখোয়না;
শিদবা মপু মহাক্নদি
তাকপীরম্মী নুংশি চাননা লৈননবা
প্রভু যিশুনসু তন্বীরম্মী
পুকচেল খোয়জেল তিন্নগা হিংননবা
অল্লাহনসু কৈদৌনুংদা হায়রমদে
অতোপ্পা লাইনীংবু তাথীনবা;
অদুগা করিগী নুংশিনদ্রি অমগা অমগা
মণিপুর কৌবী নিংথিবী ইমাগী
মচা ঙাক্তা ওইরিবা ঐখোয়না
করিগী ঙাঙলি হিগাইৱা তক্তনা
অঙাংবা মচুগী শেংলবা ঈবু
করিগী শঙজিল্লি তোঙান তোঙানবা মচু?

### মরূ হুনবা

**—ইরোম মোবি**

মীখলদা শেল য়াম্না থাদবা
মীয়ামদা শেল পীবা
করপসন মরূ হুনবা ওইনা থোক্কনি
মূথৎপা ৱাগনি।

### মোঙফম্না ঙাইরি মীওইবা

**—নাওরেম মঙ্গি**

মোঙফম্না ঙাইরি মীওইবা
নোংমদি শোয়দনা চৎকনি
মপু মাগী মনাক্তা
লৈজবা পূন্বা হুন্দোল্লম্মি।
ঐগীনি হায়বা অরেপ্পা
করিবু লৈবগে তাইবঙদা
ঙসি ঐগী ওইরম্বা
হয়েং মীগী ওইখিনি।
লাক্কনি নঙবু লৌবা
নুংশিনা নঙবু কৌরক্কনি
শোয়দনা কনানো খঙলক্কনি
তাইবঙগী মপু মহাক্তো।

### লাইরিক শঙ

**—বীরমঙ্গল পুখ্রম্বম**

নুংঙাইরবা শৈরেং ৱারীগী
মহাউ তংহনগে হায়রদুনা
পোল্লক্ত্রিবা অঙাং ফাওববু
ঙাইরি লাইওইখ্রবা অঙাংহলনা
থুপখ্রবা লিও টোলসতোইনা
মফম কৈদা কদায়দা
লাইরিক্কী পুক্কে লাইরিক শঙদা!!

মতম মতমগী ৱাখল

## চৈরমদা থোংখোঙ শাবা

মথক্তা পীরল্লিবা ৱাহৈ পরেং অসি মতম অমা ঙল্লিঙৈগী মতমদগী ইপা ইপুশিংনা ঙাঙনরল্লবা, পান্থৈ ওইনসু শীজিন্নরল্লবা অমনি। 'চৈরমদা থোংখোঙ শাবা' হায়বসি অফবদা হায়বা নত্তে । চৈ চাফমদা লৈ হায়বনি। মহাক্না তৌরিবা থবক অদু অকায়বা ওইরে হায়বনি। মচা মশু ৱারক-ৱাতেম্বদসু চৈরমদা থোংখোঙ শাগনুকো হায়নৈ । মহাক্না তৌজরিবা থবক অদু অফবা ওইদবা মশাদা শোক্লবা অকায়বা পীনবা ওইরে হায়বনি। 'চৈরমদা থোংখোঙ শাবা' হায়বসি অপঙবা মীনা তৌগল্লি । অপঙবা মীদা হায়বনি হায়না সুম লৈথোকপসু য়াদে । অসুম লৈথোক্লগদি অচুম্বা ওইরবোই নীংবা মীসু য়াওরক্কনি । অসিগুম্বা মতাংদসু ঙল্লিঙৈদগী হায়নরকপা ৱাহৈদা 'লৈতোন শরূ পান্দে হায়না পংঙাঙ ঙাঙবসু ফত্তে '' ৱাহৈ অসিসু অমুক তৌরক্তনবা হায়বদা শীজিন্নৈ ।

অসুম্না পাওরৌ ওইনা পাউতাক ওইনা ঙল্লিঙৈদগী ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা হায়নরল্লবা কয়া লৈরি। ফনা য়াম্না মখল মখা কয়াগী পান্থৈ তৌদুনা হায়রবা ফাওবদা পংঙাঙ ঙাঙবা লেপত্রগদি ''নামা হায়রিঙৈদা য়াদ্রগা পোৎ'মা লোল্লগা য়াবা '' হায়বা পান্থৈসি অমুক তৌনৈ ।



Picture Curtesy: R.K.Budhimanta Karta

মীওইবসি মখল য়াম্মী। মী নোক্লবা, করেম্নরগা নুংঙাইজবা মী মখল অমা, মী শিথবা, চৈবা হুনবদা থৱায় য়াওজবা মখল অমা, মশা মথন্তা থাগৎচবা,মানা অহেনবনি খঞ্জবা অমা। মপান্দা, মীরৈবাক্তা কুইনা লৈরল্লবা লোন য়াম্না খঙলে, লাইরিক য়াম্না হৈবনি হায়না মশানা নাপল তৌজবা মী মখল অমা অসুম্না মী কয়া লৈরি। মালেম পৃথিবী অসিদা লৈরীবা মীশিংগী মরক্তসু ৱাখল মান্নবা মী কয়া অমসু য়াওরি । লাই নীংবা লাই থাজবা কাঙবু অমা, লাই থজদবা কাঙবু অমসু লৈ । লাই নীংলিবশিংগী মরক্তা মানা নীংলিবা লাই অদুনা খ্বাইদগী অচুম্বনি অশেংবনি, মীনা নীংলিবা অদুদি অমাংবনি, ভুট প্রেৎনি হায়না ঙাঙলগা নুংঙাইজবা মী মখলসু অদুম লৈ । খ্বাইদগী নুংঙাইবসি করিনো হংবদা পাউখুম খরা তাখি- অমনা হায়, হাক্কৎচবা হোৎপনি অমনা হায় মীৱা ঙাঙনবনি। হাক্কৎচবা হোৎপদি মথন্তগীনি। নুংঙাইরবসু মথন্তনি । মীৱা ঙাঙনবসিদি নুংঙাইবদা মী অমা অনী শুই নৎত্রগা মী খরগী নুংঙাইজবনি। অদুনদি মীৱা ঙাঙনবসিনা খর হেন্না অফবা নুংঙাইবা ওইবা তায় । মীৱা ঙাঙনবসি খঞ্জিল্লুরগদি করেম্নবনি হায়না কনাগুম্বনা হায়নৈ । লাইরিক-লাইশুগী মরমদা নৎত্রগা মীয়াম মাঙদা উৎপা কুম্মৌনচিংবা পরফোরমিং আর্টকী মরমদা ঙাঙনবদি খন্ন-নৈনবনি হায়না লৌনৈ । মসিগীদমক নৈনমী তোঙানা লৈ । মখোয়বু ক্রিটিক্লি হায়না ইকায়-খুম্নৈ । কাংঙুজম মোধুমঙ্গলনা ইবা,''জি.সি তোংব্রা অমদি মণিপুর জর্নেলিজম'' হায়বা লাইরিক্তা এলাংবম নীলকান্তা অমদি জিসি তোংব্রা অনীনা মতম অমা নুংতিগী ফোংখিবা 'ঙসি' হায়বা ঙল্লিঙৈগী পাউ-চেদা অৱাই অখুম তৌনদুনা হুন্নখিবগী মতাংদা লাইরিক অসিদা মরীক চুম্না ইরি। জি সি তোংব্রানা লৈখিদ্রবা মতুংদা এলাংবম নীলকান্তনা জি সি তোংব্রা লৈখিদবগী ফোংবা শ্রদ্ধানজল্লি হায়বা চেফোংদা য়াম্না ইকায়খুম্নবা ইখি । জিসি তোংব্রাদি নহালমখৈ খঙলমদে মহাক লৈখিদ্রবা তুংদা খঙলকই, মহাক্তি অশেঙবা ওজানি হায়খি। অসিগুম্বা ৱাহৈসি লাইরিক হৈবা মীগী চিন্দগী তাজৈ ।

হন্দকসি করিগীনো খঙদে ষনলামচা ষনগোন্দগী নাম্থোকলকপনা, মীগী লৈপন্দা, ইঙ্খোন শম্বলদা হৌগৎলকপদা ঙাইরিবা মাগী মচিনা অফং অফংবা পংৱাইদা ৱাইবগুম্না ৱাইবা মানবা অমা মীডিয়াদা নুপা অমনা মৈতেলোনসু খোইগুম করিগুম পংঙাঙ ঙাঙবা তাখি,থেংনখি। নুপাদুনা মথন্তা মিমিক্রি তৌরি, কোইচৎ চৎলগা ঙাঙঙি। অফবা আর্টিষ্ট অমনা ফাগী তৌব্রা হায়না তাখি। নুপাদুগী মঙং-মতৌ ঙাঙলিবদু তারগা, ঈপোম লীলাদসু পকচরোইদবা, নোকফদে ফাগী কাঙবুদসু চন্নরোইদবা, ফিদম্নফম অমত্তা য়াওদবা চোইরোলনি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

ইলেক্সন ময়াদা পার্টি মশেন য়াম্না হুন্নৈ। মীডিয়াদা থোক্তুনা খন্ন-নৈনবদা মী তারি হায়বা কাওথোক্তুনা ইঙ্খোল হেঞ্জিন্নবগী খৎনবগুম্ন লাওনবা ঐখোয়না কয়া উখি। কুইদে ঙাইহাক্কিনি,অদুম চান্নৈ, ঙাইহাক্কী পংঙাং ঙাংনবনি ইচিল ইনাও ঙাক্তনি । মানা মানা থাজনা, পামজনা য়াওরুবা রাজনিতি দল অদুগী মীচংদা লৈনরুবগী ঙাঙনবনি হায়বসি খঙঙি। ইলেক্সনগী মাইক কন্না লাওশিন্নরবসু মাগী মাগী পার্টিবুদি ইকায়খুম্নৈ । লৈশেম্বগী ৱারীদা হংঙোইদগী, য়োংদগী মী ওল্লকই হায়বা থেংনখি । হৌদোংদগী মী ওল্লকপসিমা তাদ্রি । মী হৌদোং লৈ হায়বসু থেংনদ্রি । নহা নুপাদুগী করেম ৱারীদা মী হৌদোং লৈহল্লি ।

পংহায় হায়রদি মীসি শাওরক্কনি। তুমিন্না লৈজবা মীদা ঙাইহাক লৈতনা কাইহৌরগদি অফবা লাক্লোই। অসিগুম্বা মতাং অসিদা অহল-লমশিংনা হায়নবা ৱাফম অমসু লৈরি। '' ষণ অতেবনা ৱাইরদি শরূ ফংঙি । '' '' মীনা শিবনা চীন্দা,শানা শিবনা খোঙ্গুন্দ।'' লৈরল্লিবা পান্থৈ পাউরৌ অসি মমল য়াম্মী । মসিগী নুংদা লোয়নরিবা ৱাহৈ পরেং অসিগী ৱাহন্থোক খঙবা ঙম্লগদি অফবা কান্নবা পাউতাক য়াওরমগনি থাজজৈ । হন্দক লমদমসিগী মীয়াম, নহা-অহল য়াওনা য়াম্না শাওখিবা নুমিৎ অমা লৈখি। শাওনখিবগী মরমসি নহা নুপা অদুগী মীডিয়াদা লাইচৎ ওইখিবা ৱাহৈ খর অদু তারুবদগীনি। ঐহাক, ভদ্রলোক অদুগী ৱাহৈ খর অদু তারুদে । কনাগুম্বা অমনা তাবীয়ু হায়না পীরকখি । কুপ্না তারুরবা মতমদা ময়েক শেংনা খঙবা হেনগৎলকই মদুদি- অহল লমনশিংনা হায়নবা পান্থৈ 'চৈরমদা থোংখোঙ শাবা' হায়বা অসি চুমলকখি । ঐখোয়গী ইপা ইপুসি লাইনি। মখোয়না চীনবুংদা পান্থৈ কয়া, পাখোং কয়া শেমদুনা তুংগী মীরোলশিংগী মিৎ নীকোং শিংনবা মমল য়াম্লবা ফোলোরগী মচাকশিং থম্বীরম্লি। মী মরক্তা শামরক য়াওবসি ফুঙ্গা ৱারীওইনা লীনরকপদা তাখি। অশেংবা তাইবংদা শামরক ঙা মরক য়াওরকপসি করি ফত্তবা খুদম ওইরক্কদগে খল্লুবদা মম্মি। অফবদা ওইরকসনু ।

**- মাখোনমনি মোংসাবা**

ৱারী ককনাউ

## অকংবা অঙাংবা গুলাপ -১২

নুমিৎ খরা হৌখ্রে। ঐনা খল্লম্বা লানগী মৈরি অদুমক্তি হৌজিকফাওবদি হৌরক্ত্রি, মনুংদা ওমদুনা লৈরিবা মাল্লি। নুমিৎতু ঐ কাউদ্রি, শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা নুমিৎনি। ঐদি অয়ূক্কী মথেলদু তপ তাখৈ চাশিল্লে, হৱাই থরাক অশংবা উতিদুসু ফনা য়াম্না লৌখৎলুবদগী চাক চাবা তোকপগা টি ভি ঙাইহাক্তা য়েংগে হায়দুনা ফমথবদা ঙাইরি, কুইদে, ইশাসি ফম্না ফম্না থোক থোক চিংদুনা উইবা হৌরক্লে। অদৈদি ঐদি ফমুংদা চঙশিন্দুনা অদুম তূমথখ্রজাৎনি। কনা কনা করি করি তৌবা কৈদৌবা হায়বা করিমত্তা খঙবা ঙমদ্রে। ঐনবু তূমখ্রদি য়ূমদা হুরানবা চঙবা নুংঙাইখ্রজাৎনি। ঐনা নাখোকপসি মখোল ফনা নিংথিনা হৌই। অদুনা মপু তূমখ্রে হায়বসি ইরায়লায়না খঙবনিনা হুরানবনা নুংঙাইজবী খূতুম হায়দুনি ঐগীসি। ঐনা মীকপ থোরকপদু নুংথিল পুং ৪.৩০ মুক তারে। ফনা য়াম থেংঙে। য়ূমদা কনা অমত্তা লৈরমদে। ঐগী নুপী মেমী-না কদাইদা চৎখিবা ঐ খঙহৌদে।

হৌগৎলগা লাইদা কৎপা হৈরিদু মকু খোল্লগা মচেৎ অমা চিল্লগা শিনমন্দনা শুগৎতুনা চারগা ফমথরি। ঐগী নুপীদু শোৎ-শোৎ চঙলল্লগা চৌক্রি অমা চিংশিল্লগা ঐনা ফল্লিদুগী মনাক্তা তপ্না চঙশিল্লকই। নহানখৈগা মান্নদে, ঐনবু খল্লি, মসিবু কৈদৌরজাৎনো হায়দনা। মাসু ৱা লাংগা অমত্তা হায়রক্তে। ঐসু হায়দে। তূমিন হৈদু শিনমন্দনা সি-সা তৌদুনা থুমদু খজিক খজিক নম্মগা হৈরিদু শুগৎতুনা তররর চিংশিনখৈ চারি। হৈ চাবদা মীৎ শিংঙিরা নৎত্রগা ঐগী নুপীনা চৎখৈ চৎলুরগা হঞ্জিল্লল্লগা ঐগী ইনাক্তা ফল্লগা ৱা অমা হায়নীংবগী টাইপতা হৌদোকপদি ঙমদা ঐবু চিংনা-চিংনা য়েংদুনা লৈবদুদা তৌরিরা খঙদে মীৎতি ফনা নিংথিজনা শিংলে।

''ৱা অমত্তা হায়গেনা'' অহানবা মাগী ৱাহংদুদা ইশাসি জিং লাওই। করি ৱাহং ওইদুইনো খনবদা ইশাসি তৌফম খঙদে। অদুবু করি তৌরুনি, খরা লাল্লুরা কৌবনিনা হায়নীংবা অমা হায়রকপদা থেংনবা তারেদনা খল্লগা, মখা তারকপদা ঙাকথোকচনবা থৌরাং তৌরগা খুমলুই।

''করি ৱানো?''

''ঐ থোইবীহোইদা চৎলুই''

''কৈদৌ চৎলুরিবা? করি হায়রুরিবা? নঙনা ইস্যু সুক য়াম শাগৎলিসিবু করিগীনো?'' ঐনা ইপা পাখৎনা ৱাহং ময়াম অমা মাগী পাউখুম ঙাইদনা মথং মথং হংজিনখি। ঐগী লাংতক্লবা ইতৌদু খঙবদগী ঐগী নুপীনা ঈংথবা য়াবা ঈংথরগা খুল্লকই,

''ঙাইখো ফিংখিনু, ৱাসে ঈংনা তপ্না ঙাঙনসি''

''কৈনো ফিংদা য়ারিবো? মরম চাদনা কৈদৌ মীগী ময়ূমদা চৎলুরিনো হায়বনিদা''

''চৎপদু করি কায়গে?''

''কাই য়াম কাই''

''করি কায়রিবা?''

''মীঙোন্দা নঙনা করি হায়রুরিনো হায়বনিদা?''

''ঐ কৈসু হায়দে। মাগী ৱারী তাবদা ঐ কপ্লগা হল্লক্লিনি।

''হা? নঙ কপ্লীবা?'' ঐ শ্বাই লাউই, লানগী পাউদি ওইররোই খঙই। অদুনা হান্না ঐগী থরক হুনগৎলম্বা মীহুলদু কৈসু হায়রুবা লৈতনা য়াওশঙ থাবল চোংবদা থিনবা ধোলগী মখোলদৌনা দং দং হৌনা তারম্বদুমদি মশা মথন্তা ঈংথজখ্রে। তেৎফাও লাওরকখিদ্রে।

''মাগী ৱারীদু য়াম নুংশি?''

''নুংশিবনি'' ঐসু ৱাপাংশিন্দুনা থোক হেক কন্থদনা হায়রুবনি। ঐগী ৱাদুদা ঐগী নুপীনবু থুরেখৈ খোন কল্লপ হায়রকই।

''ঙাইখোদা, নুংশিরুই হায়সিগী ৱাসি অমনি। নঙগী নুংশিরুবদুগা মান্নদে''

''ঐ লৌশিং লাকই, ঐসু ৱা শোয়খ্রে হায়না তূমিন কনামতা লৈতবদৌদা ইকায়রকই। মুন্না য়েংলবদি খজাইদু হায়রপ ঙাঙলমদৌ মাল্লি। ঐগী নুপী মেমীনা মখা চথুরকই।

''মাই ৱারীদু কনাগুম্বী অমদসু হেক্তা থোকপা য়াই। হৌজিক্কানগী নুপা হায় জাৎসি য়াম থাজনীংঙাই লৈতে। নঙসু অদু মঙাই, ঐবু য়াম ৱাহল্লিদুনি''

''অতৈ নুপাগদি চাংদম্নরক্কনুদা''

''নঙসু কাইদনো অমদি লাল্লিবনিকো, ৱা য়াম হায়রক্কনু, নুংশিৎ কাংলক্কনি হায়সিনি, ঐগী ৱাসি মুন্না তাখো''

''হায়রো হায়রো'' ঐনা খঙঈং ঈংথরগা খুমখিবনি।

''থোইবীদু মরাইবক তশেংনা থীরবীনি। মাগীনি হায়বা মী লৈনা লৈনা লৈতবগা চপ মান্নরবনি। মাগী দুকান্দু পোৎসু কৈসু য়াম্না লৈবা নত্তে। অদুনা মচাদু মী ওইনবা শেম্নবা হোৎনরিবনি। অদুদা ঐসু নুংঙাইতদুনা হয়েংসি মতেং খিতা পীগে হায়না খল্লি''

''পীরুনুদা কৈকান্নবা, ঐনসু মমাঙদা নুংঙাইতদনা খরা পীখ্রে হায়দুদি, য়ারে, ইনাকখুনবা তরানা লায়রবা অমা শৌগৎপা ঙমপোত্তে, অহোবগী অহোবা ঙাক্তনি''

''ঐদি হয়েং পীগে হায়রম্মে। শেল খরা পীয়ু, মাগী দুকানগী পোৎ লৌবা নংনবা পুরক্কে হায়রম্মবনি, তান চাদ্রদি ঐসু য়াওনা চৎতৌরিনি। পাংদনা পাংলদি মমুৎ তানা পাংলগে খল্লে, চাকসু ঐদি মোইদা চারক্লনি। নঙদি নশানা থোংলগা চাজহৌরো''

''শেল কয়ানো?''

''লাখ অমদি পীনীংই'' মেমীগী মবুকচেল চাওবগী ৱাদু তাবদা ঐদি শোমদা অমুক্তোইবা হরাওবনা লোইরবনি। অদুবু চিনদদি য়াম্না পাংনীংদবা লিকশিনবা শারগা খুম্মী।

''শুবু শুরমগদ্রা খঙদেনে''

''শুহল্লু হৌজিক মতমদবু লাখ অমগী পোৎনা দুকান ফম্বা য়াবা নত্তে''

''হোইবা নঙনা মরোল অমা মতেং পাংনীংঙিনি হায়দনা, শোমদনা ঐনা শেল লৈত্রিসি খঙপোত্তেনে'' চিন্দা হায়জবৈ ৱানি। লাখ অমা খরা হেন্নবু পীনীংই হায়দি মেমীদি খঙজপোত্তে।

''হুম! অয়ূক্কী এঙ্গাং য়াম লৈ, চাক খজিক্তং কাম্মগা ববাগী কাংশোই অমগা থোংলগে'' হায়রম্মগা মেমীদু হৌগৎতুনা চঙখ্রে। ঐদি শ্বর অশাংবা অমা শাংনা হোন্দোল্লগা চঙখিবা ঐগী নুপীবু য়েংহৌরগা থম্মোয়দা চাওথোকচহৌরি।

''ঐগী নুপীসি কয়াদা মবুকচেল চাওখ্রবনো? লৈশারিঙৈদা ঐনা কোইরম্বা থোইবীনি, অতোপ্পা নুপা অমদা ময়ূম পানখ্রবনি। নুপাদুনা অতোনবী অমা লৌরগা য়াওং ইন্দুনা লৈখিবদগী মাবু হন্না য়েংলক্ত্রবনি। মদু ঐনা অমুক থেংনবদগী কোইরি শারি তৌরিবনি। ঐগী নুপীসিনা মদু খঙবদগী মৈ হৌনা শাওদুনা ঈৱাং কয়া তৌখ্রবনি। অদুগদি ঙসি মানা মাগী মীচংদৌনা থোইবীবু কয়াদা নুংশিবীরিবা। হে ঈশ্বর মখা তারকপদা করি ওইরক্কদগে ননাই ঐদি খঙজদ্রে। অফবতা ওইহনবীয়ুকো। নুপী য়াম লোন্নীংলুবগী ৱা নত্তে, লানজাওদি থোকহনবীগনুকো'

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**